
# রাজনাথ সিংহনা দিফেন্স ফোর্সশিংগী লানগী খূৎলাই, এম্যুনিসনশিংগী ফিভম য়েঙশিনগদৌরি



*ন্যু দিল্লি, জুন ২৭(এজেন্সি)ঃ*

পুলৱামা এটেকশিংগী মতূং পাকিস্তানগা হন্দক মুক্নখিবা অদুগী য়েংলগা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা দিফেন্স ফোর্স ৩দা হৌজিক ফংলিবা লান থেংননবগী মরুওইবা ৱিপন সিষ্টেমস অমসুং এম্যুনিসনশিংগী ফিভম য়েংশিনগদৌরি অমসুং ইক্যুপমেন্টশিং অসিগী অৱাৎপা মেশিন্নবা মখোয়না হোৎনরিবা অদুগী খুৎমাঙ চাওশিনবা অদু য়েংশিনগনি।

দিফেন্স মিনিষ্টরনা চয়োলসিদা মীফম অমা পাংথোক্কনি। মদুদা সার্ভিস ৩ অসিনা মখোয়না মথৌ তাবা মরুওইবা ইক্যুপমেন্ট লৈনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা মখোয়দা পীখিবা ফাইনান্সিয়েল পৱার অমসুং ইমজেন্সি প্রোভিজনশিং অদুগী মখাদা মখোয়না লৈশিনখিবা ৱিপন সিষ্টেমশিং অদুগী মতাংদা মঙোন্দা মরিক চুস্না পাউদম পীগনি হায়না সেনিয়র দিফেন্স লিখুনশিংনা ফোঙদোক্লি।

পাকিস্তানদা চৎখিবা সর্জিকেল ষ্ট্রাইকশিং অদুগী মতূংদা লান অমা খুদক্তা থোক্লককপা তাবদা মদুগী শীংনবশিং অদু মায়োক্লনবা মখোয়না মথৌ তাবা খূৎলাইশিং অমসুং এম্যুনিসন লৈনবা ফোর্স ৩গী ভাইস চীফশিংদা গভর্ণমেন্টনা ফাইনান্সিয়েল পৱারশিং অদু পীখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা মখোয়দা লূপা ক্রোর ৩০০ ফাওবগী মখোয়না অপাম্বা ইক্যুপমেন্ট লৈনবা ইমর্জেন্সি পৱারশিংসু পীখি অমসুং মখোয়না মথৌতাবা মরিলৈনবা কন্ট্রেক্ট সহি তৌনবগী থা ৩গী মনূংদা ফংগদবনি হায়বা অকনবা দিরেক্টিবসু পীখি।

হায়রিবা ইমর্জেন্সি পৱারশিং অদুগী মখাদা ইন্দিয়ান আর্মিনা বালাকোট এটেক মনূংদা মখোয়না মায়োক্নখিবা অদুগা মান্নবা কনফ্লিক অমদা মথৌ তাবা খ্বাইদগী মরুওইবা ৱিপন সিষ্টেম অনী থন্নবা খনগৎখি। মখোয়না খনগৎলিবা ৱিপন সিষ্টেমশিং অদুদি ঙমখৈদা ঙাকশেলহল্লিবা ইনফেন্ট্রি য়ুনিটশিংগীদমক স্পাইক এন্টি–টেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল ২৫০ রোম অমসুং লূপা ক্রোর ২৫০ রোম হেনবগী রসিয়াদগী ইগ্লা–এস মেন–পোর্টেবল এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমনি।

মসিগা মান্ননা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনসু ফেব্রুৱারি ২৬তা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা থুগাইখিবা বালাকোটতা লৈবা টেরর কেম্পশিং অদুগুম্বদা এটেক তৌনবগীদমক লূপা ক্রোর ২৭৫ হেনবগী ইজরেলদগী স্পাইক এয়ার– টু– গ্রাউন্দ ষ্টেন্দ – ওফ – ৱিপন ৩০০ লোম লৈনবগী কন্ট্রেক অমা হান্ননা সহি তৌনখ্রে।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা আর–৭৭, আর–২৭গুম্বা এয়ার–টু–এয়ার মিসাইল কয়ামরুম অমসুং রসিয়া, ফ্রান্স অমসুং অতৈ নোংপোক য়ুরোপ লৈবাকশিংদগী অতৈ মরুওইবা খূৎলাই কয়ামরুমসু লৈশিনখ্রে।

নেভিনসু মখোয়গী অৱাৎপশিং মেনশিন্নবা মরুওইবা প্রোজেক্ট কয়ামরুমগী মতাংদা থবক চংশিল্লি।

দিফেন্স ফোর্সশিংগা উন্নবা মহাক্কী অহানবা মীফম অমসুং অকক্নবা হীরমশিংগীদমক মখোয়গা তোঙান্না উন্নবশিংদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা মখোয়দা মাগী মপূং ফাবা সপোর্ট পীগনি হায়বগী থাজবা পীখি অমসুং মোদর্নাইজেসনগী থবক পূন্নমক্তা মখা তানা চংশিনগদবনি হায়খি।

# হরিয়ানা কোংগ্রেস লূচিংবা দিল্লি মনাক্তা হাৎখ্রে

*ফরিদাবাদ, জুন ২৭ (এজেন্সি)ঃ*



হরিয়ানা কোংগ্রেস লূচিংবা বিকাস চৌধরি ঙসি অয়ুক দিল্লি মনাক্কী ফরিদাবাদতা শকখঙদবা মীওই ২না নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

মশাগী চহী ৩৮ শুরবা কোংগ্রেস লূচিংবা অদুনা সেক্টর ৯দা লৈবা মাগী জিমগী পার্কিংদা মাগী কারদা হেক কাখৎখিবগা নোংমৈনা কাপ্লকখিবনি। মীহাৎপশিং অদুনা মাগী কারগী ৱিনস্ক্রিন ফাওদুনা নোংমৈমরু ১০ কাপশিলমখি। অয়ুক পূং ৯ লোম তাবদা থোকখিবা নুংথিল পোবোপতা চৎখিবা থম্মোয় শোক্লবা মীহাৎ অদু লম্বী অদুদা খিল্লিবা সিসি টিভি অমদা উবা ফংখি। সি সি টিভিগী ফুটেজ অদুদা মীওই ২না কার অদুদা চংলকখিবা অমসুং নোংমৈনা কাপখিবা অদু উখি। মীওই অমনা ঈং–তপ্না চৎখিবা, অদুগা অমুক কার অদুগী থোঙনাওদা য়েঙনবা হল্লকখিবা অদু উখি। লম্বীদুদা মীওই কয়ামরুম লৈদুনসু মীওই অনী অদু নাম্বোক্তুনা চৎখ্রে।

মিষ্টর চৌধরি মফমদুগী মীওইশিংনা হোস্পিটালদা থুনা পুখি অদুবু হোস্পিটাল হেক য়ৌবদা মহাক শিরে হায়না লাওথোকখি।

ক্রাইম অদু মীওই ৪ না চৎখবনি মখোয় মারুটি সুজুকি কার অমদা লাকখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি। ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা মনোহর লাল খত্তরনা লূচিংবা বি জে পি গভর্ণমেন্টপু কোংগ্রেসনা চৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবদি মদু ঐনা খঙবা লৈতে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

হরিয়ানা কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই ওইরিবা বিকাস চৌধরি হন্দক্তা ইন্দিয়ান নেসনেল লোক দল (আই এন এল দি) থাদোক্লম্লগা পার্টি অসিদা চোংলকখিবনি।

# পিক্লিক গাড়ী লোকচপতা ওম্থবদা মহৈরোই ১১ শিখ্রে

*শ্রীনগর, জুন ২৭(এজেন্সি)ঃ*

ঙসি য়াম্না থম্মোয় শোকপা লম্বীগী খূদোঙথিবা থৌদোক অমদা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পূঞ্চ দষ্ট্রিক্টকী মুগল রোদতা চীংলম্বী পীর কী গলিদা অরুবা লোকচপতা পিক্লিক লাকপা মহৈরোইশিংগী গাড়ী অমা ওম্থবদা নুপীমচা ৯ য়াওনা মহৈরোই ১১ শিখ্রে। লৈখিদ্রবশিং অদু প্রাইভেট কম্প্যুটর ট্রেনিং ইনষ্টিট্যুট অমগী মহৈরোইশিংনি অমসুং এক্সকর্সন অমদা লাকখিবনি। খুদোঙথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ৭ শোকখি অমসুং মখোয় হোস্পিটাল অমদা পুখৎখ্রে হায়না পুলিসনা হায়খি।

# অমেথিদা অমগসু কাপলম্লে

*অমেথি, জুন ২৭(এজেন্সি)ঃ*

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং অমেথি লোমেকর স্মৃতি ইরানিগী তেঙবাংবা অমা ওইরিবা হান্নগী বরাওলিয়া খূনগী মকোক সুরিঙ্গা সিংহবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী সুপ্নগী থা ১গী মতূংদা অতোপ্পা খূনগী মকোক অমগসু নোংমৈনা কাপলম্বদগী অরুবা ফিভমদা শোকখ্রে।

চিব্রাহা খূনগী মকোক অশোক কুমার সিংহ ৪৫বু চেক্কোন অমদগী গারী থৌরগা হলকপদা ঙরাং য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা নোংমৈনা কাপলম্বনি। মদুদা মহাক শোক্লবসু পুলিসতা টেলিফোন তৌরকখি।

অহানবদা মহাক দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎখি অদুদগী লখনৌদা এ জি এম য়ুদা রিফরতৌখি হায়না অমেথি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস সুশিল কুমার সিংহনা হায়খি।

নোংমৈনা পান্দুনা শোক্লবা অশোক কুমার সিংহনা পীবা জবানদা মহাকপু নোংমৈনা কাপলম্লিবা মীওইশিং অদু মাগী খূনদগী মীওই ২ননি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# রেপ কেসতা চেন্নবা নুপী ফাখ্রে

*থানে, জুন ২৭(এজেন্সি)ঃ*

রেপ তৌহন্নবগী লৌতুনবা অমসুং ইনশিনবগী মরান শীরিবা অমসুং থা অমা হেন্না লোৎতুনা লৈখিবা মশাগী চহী ৩০ শুরবী নুপী অমা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থানে পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা মুম্ব্রা এরিয়াদগী ফাখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কল্যান মনাক্কী তীসগাওগী মীওই অমা ওইরিবী রেশমা খান হায়রিবা নুপী অসি দোম্বীভালিদা লৈবা মন্দাপা পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌবা রেপ কেস অমদা চেন্নবা অমা ওইনা মমিং পল্লিবনি। কেস অসিদা খুদোঙ থিবা মায়োক্নখ্রবী অদু মশাগী চহী ১৪ শুবী নুপী মচা অমনি ।

কল্যান দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্টনা, ফাদ্রিঙৈগী মমাঙ বেল পীবীনবা হায়জরকখিবা অদু য়াখিদ্রে হায়না সেনিয়ার ইনস্পেক্টর নিটিন থাক্রেনা হায়খি।

মহাক উত্তর প্রদেশতা চেনখিনবা থৌরাং তৌখ্রে অমসুং ঙরাং য়ুশকৈশা নুমিৎতা মুম্ব্রাগী কলসেখর কোলেজদা লাক্কনি হায়বা পাউ ফংবদগী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা মাবু ফাখিবনি।

# ‘মমতা বেনর্জিনা শোয়বদগী বেঙ্গলদা বি জে পি কনখৎলকপনি’



*ন্যু দিল্লি, জুন ২৭(এজেন্সি)ঃ*

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী মায়োক্তা হকচিন্না মীখল থেংনখিদে হায়বা ৱাফম থম্লদুনা লোক সভাদা কোংগ্রেসকী লূচিংবা অধীর রঞ্জন চৌধুরিনা মমতা বেনর্জিগী অশোয়বা কয়ামরুমনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিনা কনখৎলক্লিবনি হায়খ্রে।

নেসনেল ইলেক্সনদা বেঙ্গলদা মায় পাল্ল চংশিল্লকখিবা বি জে পিবু থেংননবা মমতা বেনর্জিনা শগোলশেল নুমিৎতা ওপোজিসন কোংগ্রেস অমসুং সি পি আই (এম)গা পুন্না চংশিনমিন্নবা অপীল তৌখিবনি।

বি জে পিগী মায়োক্তা থেংনবদা মহাক হকচিন্না খল্লম্নবদি মহাক্না ঐখোয়গী সেনিয়ার লিদরসিপতা ৱারী শারক্কদবনি। বেঙ্গলদা বি জে পিনা মপূং মরৈ ফানা কনখৎলক্লিবা মওং অসি মমতাজীগী অশোয়বশিংগী মরমদগীনি হায়না পাউগী এজেন্সিদা মিষ্টর চৌধুরিনা হায়খি।

ষ্টেট এসেমব্লিদা গভর্ণর’স এদ্রেসকী মতাংদা তৌনখিবা দিবেততা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর বেনর্জিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিনা পেরেলেল গভর্ণমেন্ট অমা চলাইনবা হোৎনরি অমসুং কোংগ্রেস অমসুং সি পি আই (এম)গুম্বা পার্টিশিংনা মদু থেংননবা মাগী ট্রিনামুল কোংগ্রেসকা পুন্না খূৎশন্নগদবনি হায়খিবনি।

বি জে পিগী মায়োক্তা থেংনবদা (টি এম সি, কোংগ্রেস অমসুং সি পি আই–এম) ঐখোয় পূন্নমক পূশিন্নগদবনি হায়না ঐনা খল্লি। ঐখোয় পোলিটিকেলগী ওইনা খূৎশন্নসি হায়বা নৎতে, অদুবু ষ্টেটতা অমসুং নেসনেল লেবেলদা মীয়ামগী চাপ মান্নবা ইসুশিংদা ঐখোয় পুন্না চৎমিন্নবা য়াই হায়না মহাক্না হায়খি।

মমতা বেনর্জিবু য়াম্না থীনা য়াদবা অধির রঞ্জন চৌধুরিবু হন্দক পাংথোকখিবা পার্টি পূম্বগী মীফম অদুগী মতূংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ‘ফাইটর’ অমনি হায়না শীংথাখিবনি।

১৯৯৯দগী হৌনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বেরহামপোরগী মীহুৎ ওইরক্লিবা কোংগ্রেস লূচিংবা অসিনা চহী অসিগী মীখলদসু সিট অদু অমুক ফংখি।

হন্দক্কী লোক সভা মীখল অদুদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিট ৪২গী মনূংদা বি জে পিনা সিট ১৮ ফংদুনা ষ্টেট অসিদা খূৎমাং চাওনা চংশিল্লকখি। অমরোম চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী ত্রিনামুল কোংগ্রেস পার্টিনা ২০১৪গী মীখলদা ফংখিবা সিট মশীংদগী ১১ হন্থরগা সিট ২২ খক ফংখিবনি।

# অন্সারিগী নুপীদা লূপা লাক্ষ ৫, থবক পীরগনি

*ন্যু দিল্লি, জুন ২৭(এজেন্সি)ঃ*

ঝরখন্দদা মীওই খূৎপু অমনা তমথিনা হাৎখিবা মশাগী চহী ২৪ শুরবা তাব্রেজ অন্সারিগী লোয়নবী নুপীদা লূপা লাক্ষ ৫ অমসুং থবক অমা পীরগনি হায়না দিল্লি ৱাকফ বোর্দ চিয়ার্মেন অমসু এ এ পি লোমেকর অমনাতুল্লাহ খাননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

তাব্রেজ অন্সারিবু হুরানবনি হায়না হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ঝরখন্দগী সেরাইকেলা খরশাৱন দিষ্ট্রিক্টতা মী ময়াম অমা চংশিন্দুনা উখোং অমদা পূন্সিলগা চৈতুপ্না থোল্লগা হাৎখিবনি। অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা মহাক থাংজ নুমিৎতা শিখি।

# ওসাকাদা চাইনিজ প্রসিদেন্টনা ইন্দিয়াগী নরেন্দ্র মোদি, য়ু এসকী দোনাল্ড ট্রম্প উন্নগনি



*বৈজিং, জুন ২৭(এজেন্সি)ঃ*

চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা জি–২০ সম্মিট য়াওনবগীদমক জপানগী ওসাকা সিটিদা ঙসি থুংলখ্রে।

মফম অসিদা মহাক্না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প য়াওনা মালেমগী লূচিংবা কয়ামুক্তা ৱারী শান্নবগী মীফমশিংসু পাংথোক্কনি।

জুন ২৮–২৯ নুমিৎ নীনি পাংথোক্কদৌরিবা জি–২০ সম্মিট অদুগী নাকন্দা চাইনিজ প্রসিদেন্টনা ব্রিক্স অমসুং আর আই সি লূচিংবশিং ইনফোর্মেল সম্মিটতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উন্নগনি।

প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা য়ু এসকা লল্লোন–ইতিক্কী ৱারী শান্নবদা চিনাগী চীফ নেগোসিয়েটরসু ওইরিবা ভইস–প্রেমিয়র লিয়ু হে য়াওনা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমা লোয়নরক্লি। মসিগী মনূংদা ষ্টেট কাউন্সিলর য়াম জিয়েচি অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়ী য়াওরি।

জি–২০ সম্মিটকী নাকন্দা চাইনিজ প্রসিদেন্ট অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা ট্রেদ এগ্রীমেন্টকী ষ্টেটস অমসুং চয়োল কয়ামরুম পন্দুনা লৈরকখিবা দিল অদুগী অরোইবা লেপথোক্লবগী লম্বীশিং ফংনবগী মতাংদা খন্নগনি।

অদুম ওইনমক সম্মিট অসিগীদমক চৎখিদ্রিঙৈগী মমাঙদা দোনাল্ড ট্রম্পনা করিগুম্বা চিনাগা তৌনগদৌরিবা দিল অদু শোয়রবদি য়ু এসনা প্লান–বি থৌরাং তৌরে হায়খি। মসিদা চিনাগা তৌনবা ব্যুজিনেস হন্থহনবা অমসুং থা খুদিংগী মখোয়দগী দোল্লর বিল্লিয়নশিং লৌথোকপা য়াওগনি হায়খি।

অমরোমদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগী খোঙচৎকী মাঙওইননা চিনানা ফোঙদোকখিবদা ব্রিক্স অমসুং আর আই সি লৈবাকশিংগী এনফোর্মেল মীফমশিং অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী য়ুনিলেটরেলিষ্ট অমসুং প্রেটেক্সনিষ্ট পোলিসিশিংগী মায়োক্তা লেপ্পনা মরুওইবা ৱাফম অদু খন্নগনি হায়খি।

# চহী ৫দা ষ্টার্ট–অপ ৫০,০০০ লৈহনবা হায়বসি পান্দমনি হায়না ইন্দিয়ামচাশিংদা পি এমনা হায়খ্রে



*ওসাকা, জুন ২৭(এজেন্সি)ঃ*

হয়েঙদগী হৌগদৌরিবা নুমিৎ নীনিগী জি –২০ সম্মিটকীদমক ঙসি অয়ুক জাপানগী ওসাকাদা হেক থুংলখিবগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু জাপানগী মহাক্কী ফম্মান্নবা শিঞ্জো অবেনা তরামনা ওকখ্রে।

লূচিংবা অনী অদুনা বুলেট ট্রেন প্রোজেক্ট অমসুং শেন–থুমগী মরান লৈবা মীচেনশিংগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়ামুকসু খন্নখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জি–২০ সম্মিটকী নাকন্দা মালেম লূচিংবা ১০গা উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা য়াই। ময়াম অদুগী মনূংদা খ্বাইদগী হেন্না মীয়াম্না য়েঙনগদবা অমদি রসিয়াগা তৌনবা আমর্স দিল অমা অমসুং ট্রেদ টারিফশিংগী য়াওনা লৈবাক অনীগী মরক্তা তোঙান –তোঙানবা য়ান্নদবা কয়া লৈবা অদুগী য়েঙলগা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগা উন্নগদৌরিবা অদুনি।

জাপানগী কোবে সিটিদা ইন্দিয়ান কম্যুনিটিগী মীফম অমদা মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী পান্দমশিংগী চাওরাকপা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, মথঙ চহী ৫দা ঐখোয়না ইন্দিয়াবু ট্রিলিয়ন ৫গী ইকোনোমি অমা ... হায়বদি চহী ৫দা ষ্টার্ট–অপ ৫০,০০০ লৈহনবা হায়বসিনা পান্দমনি। দিজিটেল লিটরেসি হেনগৎলক্লি অমসুং দিজিটেল ট্রাঞ্জেক্সনশিং রেকোর্দ য়ৌনা ৱাংলে।

মথং নুমিৎ নীনিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জপান–অমেরিকা–ইন্দিয়া (জে এ আই) লৈবাক ৩গী ওইবা মীফম, রসিয়া–ইন্দিয়া–চিনা (আর আই সি) মীফম অমসুং ব্রিক্স লূচিংবশিংগী মীফম অমা শরুক য়াগনি।

জপান–অমেরিকা–ইন্দিয়া লৈবাক অহুমগী মীফম অদু এসিয়াদা চিনাগী ইকোনোমিক অমসুং মিলিটরিগী শক্তিঃ হেনগৎলক্লিবা অদুনা শোকহনবা লৈবাকশিং পূশিন্নবা য়ু এসনা হোৎনরক্লিবা খোঙথাংনি। অদুম ওইনমক মসিদা ফোর্মেল ওইনা পূশিন্নবগী হোৎনবদি লৈতে।


নাকন অমরোমদা য়ু এসকা ইন্দিয়াগসু লল্লোন–ইতিক্কী খৎনবা অমা লৈরিবনা মদু কোকহন্নবা লৈবাক অনীমক্না খন্নরিবা মরমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগা ৱারী শান্নগদৌরিবা অদু য়াম্না মরুওইরি।

ইন্দিয়াগীদমক মতম শাংনদগী লৈরকপা ট্রেদ কন্সেসনশিং অদু ৱাসিংটননা জুন ১দগী লৌথোকখিবগী মতূং থা অসিগী অঙনবদা ন্যু দিল্লিনা য়ু এসকী পোখোক ২৮দা টারিফ লৌখি।

মসিগী মমাঙদা ঙসি প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ইন্দিয়ানা খূৎ হন্দুনা টারিফশিং লৌরক্লিবা অদু য়ানীংঙাই ওইদে অমসুং শোয়দনমক অমুক লৌথোক্কদবনি হায়খি। টারিফশিং অমুক হন্দোক্লবগী মিষ্টর ট্রম্পকী অপীল অদুদা পাউখুম পীরদুনা অতোপ্পা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা ইন্দিয়ানা লৌরিবা টারিফশিং অদু ৱাংদে হায়না গভর্ণমেন্ট লিখুলশিংনা রোইটর্সতা হায়খি।

জি –২০ দা অর্জেন্টিনা, অষ্ট্রেলিয়া, ব্রাজিল, কানাদা, চিনা, য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন, ফ্রান্স, জর্মনি, ইন্দিয়া, ইন্দোনেসিয়া, ইটালি, জপান, মেক্সিকো, রসিয়া, সাউদি অরাবিয়া, সাউথ অফ্রিকা, সাউথ কোরিয়া, টর্কি, য়ু কে অমসুং য়ু এস এ য়াওরি।

# ২শুবা মথোনদগী ওন্থরকখিবা অঙাং চেকশিন্না ওক্তুনা কনখ্রে



*ইষ্টানবুল, জুন ২৭(এজেন্সি)ঃ*

সুপ্নগী চহী ২ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা মাগী ময়ুম এপার্টমেন্টকী ২শুবা মথোনদগী ওন্থরকখিবা অমসুং মখাদা লেপ্লিবা নুপামচা অমনা য়াম্না চেকশিন্না ওকখিবগী, হেক য়েংবদা চীং লাওরবা মীকুপ অদু সি সি টিভি ফুটেজ অমনা ফংহৌরে।

থুক লাওরবা থৌদোক অদু হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা টর্কিদা ইষ্টানবুলগী ফাটিহ দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। পীক্লিবী নুপীমচা অদু মাগী য়ুমগী থোঙনাও অদুদগী ওন্থরক্কদৌরে হায়বদু মশাগী চহী ১৭ শুরবা ফেউজি জাবাটনা লম্বীদগী উখি। মদুদা মহাক্না খুদক্তা শোয়দনা থোক্কম্লগদবা অৱাবা থৌদোক অমা থিংহৌদুনা নুপীমচা অদুনা লম্বীদা য়ৈশিন্দুনা তাদ্রিঙৈগী মমাঙ মাবু ওক্লনবা ফিভম শেমদুনা চেকশিন্না লৈখি। মহাক্কী খুদক্কী পাইরক্কী লৌশিং অদুনা নুপী মচা অদু অশোক অপন অমত্তা য়াওদনা হিংহৌখিবনি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা মহাকপু হেরো হায়না থাগৎনরকখ্রে। নুপীমচা অদুগী ইমূংনা হরাওবা উৎতুনা টর্কিস লিরা ২০০সু খুদোল ওইনা মনা পীরকখ্রে।

# সিটিজন্স লিষ্টকী মতাংদগী অসামদা লৈশাবী মচা সুইসাইদ তৌখ্রে



*গুৱাহাতি, জুন ২৭(এজেন্সি)ঃ*

অসামগী দরংগ দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লৈশাবী মচা অমা মশা মতোমতা শিজখ্রে, থম্মোয় শোক্লবা থৌদোক অদু হৌজিক ষ্টেট অসিদা নৌনা শেমদোক্লিবা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সি)গী মরমদগীনি হায়না মহাক্কী মরী–মতা অমসুং মহৈরোই লূপ অমগী মেম্বরশিংনা মরান শীখ্রে।

রৌমারি চাপোরি খূনগী নূর নাহর বেগম (১৪)গী মরী–মতাশিংনা মহাক্কী দুপত্তা অদুনা থৌরি য়াল্লগা শিখিবনি হায়খি।

অসাম গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা চহীদা ফোঙখিবা দ্রাফ এন আর সি অদুদা মহাক্কী মমিং য়াওরকখিদে। অদুম ওইনমক ফাইনেল এন আর সিদা মহাক্কী মমিং শোয়দনা য়াওরক্কনি হায়না থাজখি।

অসাম গভর্ণমেন্টনা মমিংশিং লৌথোকপগী অহেনবা দ্রাফট লিষ্ট অমা ফোঙলকখিবদা ঙসি নূর অমসুং মাগী ইমূং মনূংনা মদু ফাইনেল এন আর সিনি হায়না খনখি। মহাক্কী মপানা রৌমারিদা লৈবা এন আর সি সেবা কেন্দ্রদা চৎখি অমসুং লিষ্ট অদুদা মহাক্কী মমিং ফংখিদে অমসুং ৱাফম অদু টেলিফোনদা মঙোন্দা ফোঙদোকখিবগী মতূংদা নূরনা অরোইবা খোঙথাং অদু লৌখিবনি হায়না মরী–মতাশিং অমনা হায়রি।

ঙরাং ফোঙখিবা লিষ্ট অদু ফাইনেল এন আর সি নৎতে, অহেনবা ড্রাফট এক্সক্লুজন লিষ্ট অমনি হায়বসি ইমূং মনূং অদুনা খঙখিদে। লিষ্ট অদুদা মহাক্কী মমিং য়াওরকখিদবা অদুনা জুলাই ৩১ ফোঙগদৌরিবা ফাইনেল এন আর সি অদুদা মাগী মমিং য়াওহল্লক্নবগী খুদোঙ চাবা হেনগৎহল্লিবনি হায়বসি খঙখিদে।

ওল অসাম মাইনোরিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ এম এস য়ু) লূচিংবা অবদুল হাইনা নুপীমচা অদুগী য়ুমদা লাকখি অমসুং মীশি অদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থোকহনবনি হায়না মরান শীখি।

এন আর সিগী থবক অসিদা চমন্নবা ময়াম অমা লৈ অমসুং ঙরাংগী খুদোঙ থীবা থৌদোক থোকখিবা অদু গভর্ণমেন্টনা এন আর সিনা চংখরিবা কাঙলোনশিং অদুগী মতাংদা ময়ামদা নীংথিজনা খঙহনদবদগনি হায়খি। পুলিসনা মীশি অদু করি মরমদগী থোকখিবনো হায়বদু খঙনবা থিজিনবগী থবক চংখরি হায়না দরংগ সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমৃত ভুয়ানা হায়খি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 250, 19kg-36
Time : 07.30 to 09.30 a.m.
First Caome First Serve

**Lamsang Gas**
Booking : 19/06/19
Valid : 14/06/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Hiyangthang Indane**
Booking : 21/05/19
Valid : 16/05/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Canchi Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Mahalaxmi Indane, Lilong**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Haran Velley**
Booking : 28/05/19
Valid : 25/05/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.30 a.m.

**Khurkhul Indane**
Booking : 05/06/19
Valid : 31/05/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 Noon

**Athokpam Indane**
Booking : 17/06/19
Valid : 06/06/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
Stk : 548, 5kg & 19kg Avail
Time : From 08.30 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 02/06/19
Valid : 01/06/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-165**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | | 1 | 8 | | | | 2 |
| | | 9 | | 6 | 7 | | | 3 |
| | | 1 | | 2 | | 7 | 8 | |
| | 2 | | 7 | | | | 9 | 1 |
| 7 | | | 2 | | 8 | | 4 | |
| | 4 | | | 1 | | 2 | | 8 |
| 8 | 9 | 7 | | 4 | | | | |
| 1 | | 2 | | | | 8 | | |
| 6 | | | | | 2 | | | 7 |

**সনা–সুদোকু – ১৬৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 6 | 1 | 4 | 2 | 8 | 3 | 7 |
| 3 | 7 | 1 | 8 | 5 | 6 | 2 | 4 | 9 |
| 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 9 | 5 | 6 | 1 |
| 9 | 5 | 7 | 2 | 8 | 4 | 6 | 1 | 3 |
| 1 | 6 | 3 | 7 | 9 | 5 | 4 | 8 | 2 |
| 4 | 2 | 8 | 6 | 1 | 3 | 9 | 7 | 5 |
| 6 | 4 | 2 | 5 | 3 | 7 | 1 | 9 | 8 |
| 8 | 3 | 5 | 9 | 6 | 1 | 7 | 2 | 4 |
| 7 | 1 | 9 | 4 | 2 | 8 | 3 | 5 | 6 |